**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-08.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা ইং ২০১৪ গী আগষ্ট ২৮ দগী হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি জনধন য়োজনা ঙসি চহি ১০ মপুং ফারে। হৌজিক ফাওবদা স্কিম অসিগী মখাদা বিনিফিসরি কোতি ৫৩ হেন্না কান্নবা ফংহনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা স্কিম অসিবু মায় পাকহনবগীদমক বিনিফিসরিশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-জনধন য়োজনা অসিনা অখন্ননা নুপী, নহা অমসুং শোথনা লৈরিবা মীওই কোতি কয়াগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহনবগা লোয়নননা শেল থুমগী তেংবাং পীরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা (পি.এম.জে.দি.ৱাই) মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজন স্কিম ওইরে। মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা অতৈ মীকোক্তগী স্কিম অসিগী বেনিফিসরিগীমশিংনা হেন্না ৱাংলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা শিংথানিঙাই ওইৱা মায় পাকপা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অশানবা মীৎয়েং অদুগী মখাদা ওইথোকপা ঙম্বনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু চাউখৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা য়োজনা অসিগী বেনিফিসরি কোতি ৫৩ লাখ ১৩ হেল্লে। মসি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমগী অপুনবা মীশিংদগী হেল্লবনি।

শ্রী বিরেন্না হায়-জন ধন য়োজনা অসিগী অপুনবা নুপী বেনিফিসরিনা কোতি ২৯ লাখ ৫৬ নি। মসিনা রসিয়াগী অপুনবা মীশিংদগী হেল্লে। রুরেল অমসুং সেমি অরবান এরিয়াগী বেনিফিসরি কোতি ৩৫ লাখ ৩৩ ওইরিবা

অসিনা য়ু.এস.এগী মীশিংদগী হেল্লে। হৌজিক ফাওবদা মুদ্র লোন পীথখিবা অসি লুপা কোতি লাখ ৩০ রোমনি। মসি ইথিওপিয়াগী জি.দি.পিদগী হেল্লবনি।

শ্রী বিরেন্না হায়-হৌখিবা চহি ১০ অসিদা মীওই কোতি ৫৩ হেনবনা জন ধন বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোক্কুনা লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ৩১ হেনবগী শেনফম বেঙ্ক এক্কাউন্টশিংদা দিপোজিৎ তৌরক্লে। পি.এম.জে.দি.ৱাইনা মীওই কোতি ৫৩ রোম বেঙ্ককী খুদোংচাবা পীদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নাকরিগশিং শক্তি পীদুনা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজনদা অওনবা পুরকপদা চাউনা মতেং ওইরি। মীসন অসিনা লাইরবা মীওইশিংবু শেল তুংশিনবগী খুদোংচাবা পীরি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহগা ম্যুনিসিপালিতি এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট (মহুদ) বিভাগকী ওফিসিএলশিংগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সেক্তা খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙসি নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মদুদা নোংমৈ তরেৎ ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-মোইরাংথেম অশ্বিনি কুমারগা মনিপুরগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-অনুরাগ

ভাজপাইগা উন্নদুনা লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিং শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা এল.দি.এগী হেদ ওফিসতা উন্নবা অদুদা কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্ক য়াওনা লোক্তাক পাৎকী হোংলক্লিবা শক্তমগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** রেস্তোরেসন ওফ লোক্তাক লেক এন্দ ইটস এসোসিয়েট ৱেদলেন্দগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা লৈবা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংনা ইথাই বরাজ হাংদোকপীয়ু হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে। বরাজ অসিগী ওইনা গেট মঙাগী মনুংদা অনিখক হাংবদু য়ানিংদে হায়না খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

**চান্দেল (এল)ঃ** লাক্লিবা সেপ্তেম্বর থাদগী দিসেম্বর ফাওবা চত্থগদবা ২১ শুবা লাইফস্তোক সেন্সস ২০২৪ গী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী ভেটিরিনারি ওফিসতা লোয়শিনখ্রে।

সব-দিভিজনেল ভেটিরিনারি হোস্পিতাল-মোরেনা শিনবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা দি.এম.ও. ডাক্তর-এন. ঙৌরু জ্লি অমদি অখঙ অহৈ কয়া শরুক য়াখি। ২১ শুবা লাইফস্তোক সেন্সস অসিগী প্রাইমারি ইনভেষ্টিগেটর-থোতরৈঙম সিংলাইনা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা ট্রেন্নিং অদুদা চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলাগী ভেটিরিনারি দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওঅসিদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা সব-দিভিজন অহুমদা লুপা কোতি ১৭৮ রোমগী ঙাগী ফার্ম মাঙ তাকহনখ্রে হায়রি। ঈচাউ অসিদা লৌ পাল্লবা লৌফম হেক্তর লিশিং ৩,৬৪৪ য়াওরি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা জিলা অসিগী এগ্রীকলচর ওফিসার অমসুং ফিসরি ওফিসারদগী ফংবা অহানবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না লিলোং, থৌবাল অমসুং ৱাংজিং তেন্থা সব দিভিজন অহুম অসিগী ওইনা লিলোংদা ঙাগী ফার্ম হেক্তর লিশিং ২,০৩০, থৌবালদা হেক্তর লিশিং ১,২৮৫ অমসং ৱাংজিং তেন্থাদা হেক্তর লিশিং ২,৬২৩ ঈচাওনা মাঙ তাহনখ্রে হায়রি।

জিলা অসিগী এগ্রীকলচর ওফিসারদগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জিলা অসিগী সব-দিভিজন অহুমদা লৈবা অপুনবা খুঙ্গং ৫৪ গী লৌকোল হেক্তর লিশিং ৩,৩৪৪ হন্দক্কী ঈচাও অসিনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্যগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা উসস স্কুলগী 'লৈহাও লৈরেল' কৌবা প্রোজেক্ট অমা হৌদোকখ্রে।

ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা কিদস প্রোজেক্ট ডে থৌরমদা প্রোজেক্ট অসি হৌদোকখিবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংনা শেম্বা প্রোজেক্ট কয়া অমদি নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈশিং উৎখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** স্কুল মহৈরোইশিংগী ওইবা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা সাইন্স মোটিভেস্নেল প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মাস্তেক্কী কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্তেক) ইম্ফালনা শিনবা প্রোগ্রাম অসিনা মহৈরোইশিংদা সাইন্সগী লমদা হেন্না খঙহনবগা লোয়ননা সাইন্সপু কেরিয়র অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ক্বাকৈথেল অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টরনা শিনদুনা য়ু.ঐচ.ডব্লিয়ু.সি. তখেললৈকাই অমসুং সি.আর.এল.সি.

খ্বাইরাকপম লৈকাইদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি নেসনেল অবার্ন হেলথ মীসন অমসুং কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সাপম নিশিকান্তগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনদুনা শওম্বুং হায়স্কুলদা ঙসি অঙাংশিংদা হিদাক মনা শিজিন্নদবগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা নসা মুক্তি ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী মেদিকেল ওফিসার-ডা: এন. সঞ্জয়, জিলা অসিগী সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসার-ৱাইখোম থামাবতি দেবী অমসুং ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী ফৌদেলদা লৈবা হেল্লিং সোল দি-এদিক্সন রিহেবিলিটেসন সেন্টরনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা ঐচ.আই.ভি., হেপাটাইটিজ (বি) অমসুং (সি) গী মরমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসুং স্ক্রিনিং টেষ্ট তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: ৱাই. নোকুল সিংহ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসার-ডা: ৱাই. বিজেন্দ্র অমদি অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই খুলদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা অঙাং ৫৬ য়াওনা পুন্না মীওই ৪৬৯ লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না পীবা ইং ২০২৪

গী কয়াক্লপ এৱার্ড অমসুং ইকো ফ্রেন্দলি ৱিন্নর-২০২৪ গী মনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংনা ফংলে।

স্বাচ ভারত মীসনগী মখাদা লু-নানবা থম্বগীদমক শকখঙদুনা মনা অসি পীরকপনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ৬০ অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি।

**থবক (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা জমান্দারগী পোষ্ট খরা লৌনবা পাঙথোকখিবা ফিজিকেল ইফেন্সিসি টেষ্ট অমসুং রিটন টেষ্টতা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী ইন্টরভিয়ু ওক্তোবর ১৬ তগী হৌরগা পাঙথোক্লগনি হায়না মনিপুর পুলিসকী দি.জি.পি. (প্রিজন)-সি. দোঙেলনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইন্টরভিয়ু অসি ইম্ফালগী অনিশুবা মনিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা মনিপুর পুলিস হাউজিং কোরপোরেসন লিমিটেদকী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। কনাগুম্বা কেন্দিটেশিংনা মফম অসিদা ইন্টরভিয়ু য়াওবদা খুদোংচাদবা লৈরগদি মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসশিংদা শরুক য়াবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল মনিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতগী খঙবা য়াগনি।

**মৈঃ** অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংদা হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক্ট পৱার প্রোজেক্ট চাউখৎহন্নবা কেন্দ্রনা অখন্নবা শেন্থুং পীননবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। মসিনা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙমলগনি অমদি টুরিজমগী লমদা হেন্না চাউখৎহনবগা লোয়ননা ওন্টরপ্রেন্যুয়র ওইননবগী খুদোংচাবা পীগনি।

কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়না শেন্বা সেন্ত্রেল ফনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট (সি.এফ.এ) গী শেনফম অসি লুপা কোতি লিশিং ৪,১৩৬ ওইগনি অমদি চৎলিবা শেনবা চহি অসিদগী হৌরগা শেনবা চহি ২০৩১-৩২ ফাওবা থবক

পায়খৎকনি।

স্কিম অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট পায়খৎপদা খুদোংচাগদবা অমদি প্রোজেক্টকী কান্নবা লৈগদবা হীরমশিংদা শেল থাদগনি। মসিগা লোয়ননা প্রোজেক্ট পায়খৎলিবা রাজ্য অদুদা মৈ লেমা পীবগা লোয়ননা প্রোজেক্ট অদু হেন্না ফগৎনবা ষ্টেট জি.এস.টি. কেন্দ্রনা রাজ্য অদুদা অমুক হন্না পীথোরক্কনি।

**এক্সিদেন্ট ঃ** অরুনাচল প্রদেসকী সুভানশ্রী জিলাদা ভারত লান্মীগী ত্রক অমা লোকখাদা তাশিনবদা লান্মী অহুম লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭ মখায় অদুৱাইদা ত্রান্স অরুনাচল হায়ৱেগী তাকপী খুল মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি।

অরুনাচল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দু, আর্মি ইষ্টর্ন কম্মান্দগী লেফটনেন্ট জেনরেল-আর.সি. তিৱারিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**কেবিনেট ঃ** নেসনেল ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা অনৌবা গ্রীন ফিল্ড ইন্দষ্ট্রিয়েল সম্মার্ট সিটি ১২ লিংখৎনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়-মসি শেমগৎনবা হোৎনবদা লুপা কোতি লিশিং ২৮,৬০০ হেন্না চংগনি। প্রোজেক্ট অসিনা মীওই লাখ ১০ দা হকথেংননা অমসুং মীওই লাখ ৩০ দনা নাকোইননা থবক ফংহনবা ঙমহল্লগনি।

**পেরালিম্পিক ঃ** পেরালিম্পিক গেমস ২০২৪ ঙসি নুমিদাং পুং ১১ মখায়দা পেরিসতা হৌরগনি। গেমস অসিদা ভারতকী শান্নরোই ৮৪ না তোঙান

তোঙানবা মশান্না ১২ দা শরুক য়ারি।

এসিয়ান পেরা গেমস ২০২২ দা লুপাগী তকমান ফংখিবা-ভৈগ্যাশ্রী যাদব অমসুং ৱার্ল্ড রেকোর্ড থমখ্রবা জেল্লিন শান্নরোই-সুমিত অনতিলনা হৌদোকপগী থৌরমদা ভারতকী ফ্লেগ বিয়রর ওইগনি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরাগী ঈশিং ঈচাউগী ফিভম কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি য়েংশিনখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ, শেল থুম, জল শক্তি, রুরেল দিভলপমেন্ট অমদি রোদ ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রালয়শিংগী ওফিসিয়েলশিং য়াওখি।

রাজ্য অদুদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ৭২ হেন্না রিলিফ কেম্প ৪৯২ দা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ৫০ রোমদি গোমাতি জিলাদা হাংবা মতম খরগী রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা চীঞ্জাক, থকবা ঈশিং, হিদাক লাংথকচিংবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবকসু চথুরি। ঈচাউনা শোকহল্লবা গোমাতি অমসং সিফাহিজালা জিলাশিংদা এস.দি.আর.এফ অমসুং এন.দি.আর.এফকী পুন্না টিম ১১ না মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথুরি।

**অসামঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মীওই লাখ ৯ লিশিং ৩৫ গী অধার কার্ডশিং কেন্দ্র সরকারনা পীরগনি। এন.আর.সিগা মরী লৈননা বাইওমেট্রিক লৌবনা মরম ওইদুনা অধার কার্ড পীবগী থবক অসি ২০১৯ গী ফেব্রুৱারী অমসুং আগষ্টকী মরক্তা লেপখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হীরম অসিগী মখাদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সহাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরে। মহাকা হায়-মীওই লাখ ৯ লিশিং ৩৫ গী অধার কার্ডশিং নুমিৎ ১৫ দগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফংহল্লগনি।

**দুরান্দ কপ ঃ** ১৩৩ শুবা দুরান্দ কপকী ফাইনেলদা মোহন বগান সুপর জাইন্ট টসকা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিগা শান্নরগনি।

ফাইনেল থা অসিগী ৩১ দা কোলকাতাগী সোল্টলেক ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। ঙরাং বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা মোহন বগান্না বেঙ্গলুরু এফ.সিবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখিবনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি।